**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 17.6.2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী মণিপুরী পাউ**

**(তাং ১৭-০৬-২০২৪,নিংথৌকাবা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ক্ষেত্রিমযুম চিত্রাভানুনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিট সাহনা সভাপটি ওইদুনা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে।

২) ২৩ শুবা দ গ্রেট জন্ অপরাইজিং, য়ুনিতি ডে ২০২৪ হয়েং ইম্ফালদা পাঙথোকবা মপুং ফানা শেম শাবা লোইরে।

৩) **সরকারগী** প্রি প্রাইমরি ওজা লৌবগী থবক থৌরম পুমমক সরকারনা শেন্থা অৱাং থাক্কী কম্মীতি অমনা য়েংশিল্লগনি ।

৪) প্রধান মন্ত্রি কিষন সমান নিধিগী ১৭ শুবা ইন্সতোলমেন্ত হয়েং উত্তর প্রদেশকী বারানাসিদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা য়েন্থোক্কনি।

**অমসুং**

৫) নোংচুপ বেঙ্গোলদা ঙসি রেলগাড়ি অনি থেংজিন্নবগী থৌদোক্তা শীখিবা মীগী মশিং ৯ শুরে, ৫০ না অশোক অপন নংলে।

**---সিগনেচর ট্যুন---**

**অমিট সাহ (এল)ঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিট সাহনা সভাপটি ওইদুনা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোক্কুনা খন্নখ্রে। মীফম অদুদা কেন্দ্রগী হোম সেক্রেটরি অজয় ভালা, ইন্তিলিজেন্স বিউরোগী চিফ তপন দেকা , আর্মী চিফ-জেনরেল মনোজ পান্দে, মনিপুরগী সেক্যুরিতি এদভাইজর কুলদিপ সিংহ, চিফ সেক্রেটরি, দি.জি.পি অমদি লানমীশিংগী মকোক থোংবশিং য়াওনা অতৈ ওফিসিয়েলশিংশু শরুক য়াখি।

কেন্দ্রগী মন্ত্রি অমিত সাহনা সভাপতি ওইদুনা জম্মু অমসুং কস্মীরগী ওইরিবা সেক্যুরিতিগী ফীভমগী অমসুং অমরনাথ যাত্রাগী শেম শারিবা মতাংদা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

**জ্ন ১৮ (এল)ঃ** ২৩ শুবা দ গ্রেট জ্ন অপরাইজিং, য়ুনিতি ডে ২০২৪ হয়েং ইম্ফালদা পাঙথোকবা মপুং ফানা শেম শাবা লোইরে। ২৩ শুবা দ গ্রেট জ্ন অপরাইজিং, য়ুনিতি ডে ২০২৪ গী ওবজার্ভেসন কমিতিনা শিন্দুনা মপুং ওইবা নিংশিং থৌরম ইম্ফালগী কেক্রুপাৎতা লৈবা অথৌবশিংগী নিংশিং খুভমদা পাঙথোক্কনি।

ইং ২০০১ গী জ্ন ১৮ দা মণিপুরগী মীয়ামা অপুনবা শক্তম অমদি ঙমখৈ কায়বা য়ারোই হায়না হৌরকখিবা মীয়ামগী অচৌবা ইহৌদা লৈখিদ্রবা অথৌবশিং অদুবু নিংশিংদুনা থৌরম অসি চহি খুদিংগী পাঙথোক্কুনা লাক্কি। থৌরম অসিগা শরুক অমা ওইনা হয়েং ইম্ফালগী রিমস অমসুং জেনিমসকী ব্লড বেঙ্কশিংদা লেমা ঈ দান তৌবগী থৌরমশিংসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

**মীতিং(এল)ঃ** **মনিপুরদা** নৌনা থোক্লক্লিবা ইরাং অসিগী মতাংদা অৱাংবা থাক্কী ওইবা মীফম অমা ঙসি ইন্দিয়া ব্লোকনা শিন্দুনা কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখ্রে । মীফম অদুদা কংগ্রেস লুচিংবা শ্রী ওক্রম ইবোবি, সি.দব্লিউ.সিগী মেম্বর শ্রী গাইখাংঙম , ইন্নর মনিপুর লোক সভাগী এম.পি ডা: অঙোমচা বিমোল অকোয়জম অমসুং এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ত কে. মেঘাচন্দ্রনচিংবা শরুক য়াখি।

**সি.এমঃ** মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংদুনা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি টেম্পল বোর্দ ইম্ফালগী মীফম ঙসি পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা লাইশঙ অসিগী শেমগৎ শাগৎপগী মতাংদা খন্না নৈনখি । লোয়ননা লাইশঙ অসিগা ইরোইননা চৎলিবা ঐখোয়গী নাৎ চৎনবিশিং পুন্না য়োকখৎমিন্নবা ৱাফমসু থমখি। অরোইবদা মুখ্য মন্ত্রিনা লাইশঙ অসিদা মীয়ামগী অমসুং রাজ্য অসিগী য়াইফ নুংঙাইগী ইস্বরদা থৌনিজখি।

**ইদ (এল)ঃ** মনিপুর য়াওনা মালেমগী অতৈ মফম কয়াদামুসলমানশিংগী শেংলবা কুম্মৈ ইদুল অঝা ঙসি পাঙথোক্লি। কুম্মৈ অসিনা লাকপদা রাজ্য অসিগী মুস্লিমশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদা তরু-তরুবা ফিজোল শেৎ-চাদুনা ধর্ম্মগী মরি লৈনবা লাইনিং লাইশোলগী থৌরম পাঙথোকপা, চামীন থকমীন্নবা, লৈত-লায়রশিংদা খুদোল তম্বনা থৌরম অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি।

অমরোমদা, ন্যু দিল্লিগী জমা মসাজিদ, ফতেপুরি অমসুং সহি এদগাহগী লাইখুরমফমশিংদা ইদুল অঝাগা মরী লৈননা মুসলমানশিংনা নমাজ শোনখি। থৌরম অদুদা ইমামশিংনা লৈবাক অসিগী মীয়ামা নুংশি চান্ননা অমদি অমত্তা ওইনা হিংমিন্ননবা আপিল তৌরি। অমরোমদা, কুম্মৈ অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু ,উপ রাষ্ট্রপতি জগদিপ ধনকর অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা য়াওনা অতৈ লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

--পাউগী মরক থৎনা অতেনবা ব্রেক অমা --

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি--**

**ইদুকেসন(এল)ঃ** মনিপুর সরকারগী এদুকেসন (এস)বিভাগকী মখাদা সমগ্রা শিক্ষা মনিপুরগী কন্ত্রেক বেসিসতা প্রি প্রাইমরি ওজা লিশিং ১, ১৪০ লৌবগী থবক থৌরম পুমমক সরকারনা শেম্বা অৱাং থাক্কী কম্মীতি অমনা য়েংশিল্লগনি। ইদুকেসন (এস)কী দাইরেক্তা এল. নন্দা কুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ওজা লৌবগী থবক অসি কম্মীতি অসিনা মপুং ফানা য়েংশিনবা লোইদ্রিবা ফাওবা লেপখিগনি।

অমরোমদা, বিভাগ অসিগী জোইন্ত সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- হিরম অসিগী মতাংদা মীয়ামা পীরকপা মোটশিং সরকারনা তরামা ওক্লি। মসিগী মহুত্তা হিংশাগী থৌদোকশিং মখা তানা থোকহনবিদনবসু মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌরি। বিভাগ অসিনা মহৈরোইশিং অমদি রাজ্য অসিগী মীয়ামগীদমক অফবা খোংথাং কয়া মখা তানা তৌখিগনি হায়বগী থাজবসু ফোংদোরক্লি।

**দেসাম(এল)ঃ** মনিপুর সরকারনা প্রি প্রাইমরিগী ওজা লৌবা মতমদা মতিক চানা ত্রেনিং তৌদবা কেন্দ্রিদেদশিং লৌনবা হোৎনরে হায়বগী ৱাহৈদা য়ানিংদবা ফোংদোক্লুবা দেসামগী থৌমি অহুম ফাজিনখিবগী মায়োক্তা দেসাম থৌবালনা ঙসি থৌবাল বজারদা খোংজং চংশিনখ্রে।

খোংজং অদুগী শরুক অমা ওইনা মনিপুর সরকারগী ইদুকেসন মিনিস্তর, কম্মীস্নর অমসুং দিরেক্তরগী মীতমশিং মৈ থাখি। খোংজং অদুদা শরুক য়াখিবা দেসাম থৌবালগী জেনরেল সেক্রেটরিনা হায়- খোংজং চংশিনখিবা মহৈরোই অহুম ফাজিনখিবা অদুবু অথুবদা থাদোরক্কদবনি ।

**রেমেস্বর(এল)ঃ** স্পেসিয়েল এসিস্তেন্স টু ষ্টেট ফোর কেপিতেল ইনভেস্তমেন্ত (এস.এ.এস.সি.আই)গী মখাদা পেভর ব্লোক থাদুনা শেন্বা ককচিং সুমাক লৈকায় কৈথেল পরেং অমসুং ককচিং ৱাইরি পুন্সি পারেংগী লন্বী ঙসি জিলা অসিগী এম.এল.এ ময়াংলম্বম রামেস্বরনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে। এম.এল.এ রামেস্বরনা হায়- লাক্কদৌবিরা চহি ৩ অসিগী মনুংদা পলেন, সোরা অমসুং ইরেংবম য়াওনা জিলা অসিগী লন্বী পুমমক শেন্নগনি। মহাকা মখা তানা হায়- ককচিং তেকচম রোদ অসি পি.এম.জে.এস.ৱাইগী মখাদা লৈবা লন্বীনি। লন্বী অসি শেমবা বজেট কায়থোক্তুনা লৈরবনি। লন্বী অসি অথুবা মতমদা শেন্বা হৌনবা মরী লৈনবা মন্ত্রিগা উন্নদুনা ৱারি শান্নরে। জিলা অসিগী লন্বীশিং শেন্বদা নত্তনা অতৈ চাউখৎ থৌরাংশিংসু মখা তানা পায়খৎকনি হায়না এম.এল.এনা ফোংদোকখি।

**জিরিবাম(এল)ঃ** জিরিবাম জিলাগী নিংশিংখুলদা লৈবা কম্ম্যুনিতি হেলথ সেন্তরগী চিফ মেদিকেল ওফিসরগী মীৎয়েং মখাদা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগী ওইবা মেদিকেল কেম্প অমা ঙসি বিদ্যানাগর মল্টি পরপজ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

চিফ মেদিকেল ওফিসর টি.ঐচ ভারতনা হায়- হন্দক থোক্লিবা জিরিবামগী লাইবক থীবা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মেদিকেল কেম্প অসি পাঙথোকপনি। জিলা অসিগী অতৈ রিলিফ কেম্পশিংদসু অসিগুম্বা মেদিকেল কেম্পশিং মমাংদা পাঙথোক্কুনা মীওই কয়াদা কান্নবা পীখ্রে । মহাকা হায়-

**-সাউন্দ ভারত--**

মেদিকেল কেম্প অসিদা হোস্পিতাল অসিগী নৌনা লাকপা স্পিপসিয়েলিস্ত দোক্তরশিং য়াওনা মখল কয়াগী লায়েংশিং চথুখি অমদি মথৌ তাবা তেস্ত কয়াসু তৌথোকখি।

**ৱাক্সোর্পঃ** মনিপুরদা মতমগা চুন্নবা মওংদা ঙা য়োকবা হোৎনবদা মেদিয়ানা লৌরিবা থৌদাংগী মতাংদা নোংমগী ওইবা মেদিয়া ৱাক্সোর্প অমা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী থাঙ্গাদা লৈবা মন্ধা আইলেন্দা পাঙথোকখ্রে। ইদিতরস গিল্ড ওফ মনিপুরনা শিনবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ফিসারিজকী দাইরেক্তর ঐচ.বালকৃষ্ণনা হায়- রাজ্য অসিদা তঙাই ফদনা চংবা ঙা পুথোকপাগী চাং ৱাৎপদগী মপানদগী ঙাশিং পুশিল্লকপনি। মসি থেংননবা হোৎনবদা রাজ্য অসিদা ঙা মরাং কায়না পুথোকপগী তঙাই ফদবা লৈ। মসিদা মেদিয়াশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মীয়াম্বু হেন্না খঙহন্নবা ঙহনগনি। মহাকা হায়-

## --সাউন্দ বাল--

ঙসিগী থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা অমজগী প্রসিদেন্ত ককচিংতবমনা হায়- রাজ্য অসিদা মহৌশাদগী ফংলকপা ঙা মখলশিং নোংমা নোংমগী মাংথারক্লে। মসিনা মরমওইরগা লমদম অসিগী মীয়ামা হায়রিবা ঙা মখলশিং অসিদগী ফংবা হকচাংদা মচি ওইবশিং মচলশিং ফংবা ঙমদ্রে। লোয়ননা মপাল লমদগী পুশিল্লকপা ঙাশিং অসিনা ঐখোয়গী শিন্মীৎলোন্দসু চাউনা অকায়বা পীরি।

ৰাক্সোর্প অদুদা তেকিকেল সেসন অমদি ফিল্ড ভিজিৎশিং য়াওনা রাজ্য অসিদা ঙাগী অৰাৎপা লৈরিবশিং অসি লৈহন্দনবগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা খন্না নৈনখি। থৌরম অদুদা সেনিয়র জরনেলিস্ত এ.মুবি, ইদিতরস গিল্ড মনিপুরগী প্রসিদেন্ত খোগেন্দ্র খোমদ্রাম , মনিপুর হিল জরনেলিস্ত য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ত পিতর অদানি, দি.আই.পি.আরগী দিপ্যুতি দাইরেক্তা এল .অসোক কুমারনচিংবা মীওইশিংনা শরুক য়াখি।

**ত্রেনিং(এল)ঃ** প্লাস্তিক ৰেস্ত কলেক্সন এন্দ মেনেজমেন্তগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি ইন্দিয়ন আই.আর.সি.এস মনিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইতি মনিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ অমসুং সি.সি.দি.য়ু, পি.ঐচ .ই.দি মনিপুরগা খুৎশমদুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা আই.আর.সি.এস মনিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী চিয়রমেন নরেন্দ্র নিংঙোম্বমনা হায়- ঐখোয়না শিজিন্নবা হেক লোইবগা লংথোক্লিবা প্লাস্তিকশিং অসি অমুক হন্না শিজিন্নবা য়াবগী মওংদা করমা শেমদোক্কনি হায়বগী মতাংদা পাঙথোক্লিবা ত্রেনিং অসি থবক ওইনা ওন্থোক্লবদি ঐখোয়গী ফীভমদা নত্তনা মীওইবদসু কান্নবা কয়া ফংগনি।

নোংমগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা প্লাস্তিক্কী পোৎলমশিং লৈতেং ওইনা নত্রগা রিসাইকল তৌদুনা নৌনা শিজিন্নবা য়ানবা অমসুং প্লাস্তিক্কী পোৎলমশিং শিজিন্নবা লোইরগা চাইথোক্তনবা শরুক য়াখিবা সেনাপতি, থৌবাল, ককচিং, বিষ্ণুপুর, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী আই.আর.সি.এস. ভোলুন্তিয়রসশিংদা উৎতুনা মীয়ামদা খঙহনখি।

থৌরম অদুদা স্বাচ ভারত মীসন পি.ঐচ.ই.দি মনিপুরগী ষ্টেট কোওর্দিনেতর কম ষ্টেট নোদেল ওফিসর আর.কে সোমোন অমসুং ষ্টেট কন্সলতেন্ত বিসকেননা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইখি।

**ফেসোক(এল)ঃ** ফেদরেল ষ্টুদেন্স ওর্গনাইজেসন কংলৈপাক (ফেসোক)না মনিপুরগী সরকারগী স্কুল, এদেদ স্কুল অমসুং এদেদ কলেজশিংগী ওজাশিং মখোয় মখোয়গী পুরিবা স্কুল অমসুং কলেজশিং নত্তনা অতোপ্পা প্রাইভেটকী স্কুল অমসুং কলেজ অমত্তদা ওজা ওবিদনবা খঙহল্লক্লি। ফেসোকা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না মনিপুরগী ওইনা সরকারগী স্কুল অমসুং কলেজশিং অসিনা নোংমা নোংমগী মরাই চাইথরক্লিবা অসি স্কুল অমসুং কলেজ অসিদা পুরিবা ওজা খরনা নিয়মগী ৱামদা তৌরোইদবা থবক কয়া অমা তৌরকপদগী ওইরকপনি হায়রি ।

**কাং (এল)ঃ** শিংজমৈ কাংখুৎনা শিনদুনা চথুরিবা অহানবা ককচিংতাবম কুঞ্জাবী শর্ম্মা মেমোরিএল লিগ কম নোকআউট কেন্দ্রৱাইজ কাং টুর্নামেন্টকী ঙসিগী মেটচতা নম্বোল কাংখুৎ লাক্তবদগী ওইনাম কাংখুৎনা ৱাক ওভর ফংখ্রে।

**--পাউগী মরক থৎনা অতেনবা ব্রেক অমা অমুক--**

**--অকাশবানি ইম্ফালদগী পাউ তাবিরি---**

**পি.এমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা প্রধান মন্ত্রি কিষন সমান নিধি মখাদা লুপা কোতি লিশিং ২০ গী শেনফম ওইগদবা ১৭ শুবা ইন্সতোলমেন্ত হয়েং উত্তর প্রদেশকী বারানাসিদা থাদোক্লগনি।

হায়রিবা ইন্সতোলমেন্ত অসি ফার্ম্মর কোতি ৯ লাখ ২৬ তা দাইরেক বেনিফিট ত্রান্সফরগী খুত্থাংদা য়েন্থোক্লগনি। পি.এম কিষান স্কিম অসিনা মমাংদসু

ফার্ম্মরগী ইমুং কোতি ১১ দা কান্নবা ফংহনবা লৈখ্রবনি। হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা সেলফ হেল্ফ গ্রুপশিংদা য়াওবা নুপী লিশিং ৩০ রোমদসু সার্তিফিকেট য়েন্থোক্লগনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা উত্তর প্রদেশ অমসুং বিহারদা লাক্লিবা তাং ১৮ অমসুং ১৯ দা উত্তর প্রদেশ অমসুং বিহারদা চৎকনি। মহাক্কী খোংচৎ অসিদা বিহারদা হন্দক্তা নৌনা শাবা নালন্দা য়ুনিভার্সিতিসু শঙ্গাগনি।

**এক্সিদেন্তঃ** নোংচুপ বেঙ্গোলগী ন্যু জলপায়গুরি ষ্টেসন ময়াদা ঙসি অয়ুক রেলগাড়ি অনি থেংজিন্নদুনা এক্সিদেন্টদা শীখিবা মীগী মশিং ৯ শুরে, ৫০না অশোক অপন নংলে। ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা রেলৱে বোর্দকী চিয়রমেন অমসুং সি.ই.ও জয়া বর্ম্মানা হায়-মী কনবগী থবক মপুংফানা চথখি। মহাকা হায়- থৌদোক অদুদা মীওই ৫০ রোম অশোক অপন নংখি। অগরতালা -সিয়ালদাল লম্বীগী রেলৱে ষ্টেসন পুমমক্তা হেলথ দেক্সশিং হাংদোক্তুনা থম্লে।

রেলৱেজকী পাউনা হায়- পোৎচৈ পুবা ত্রেন অমগা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লৈবা ন্যু জলপাইগুরি ষ্টেসন মনাক্তা থেংগাইনবদগী খুদোং থীবা থৌদোক অসি থোকখিবনি। পোৎচৈ পুবা ত্রেন অসিনা পীরিবা সিগনেল অদু হেন্দোক্তুনা কনচংজঙ্গা এক্সপ্রেসকী মনিং থংবা শরুক্তা থেংজিনখিবনি। এক্সিদেন্ত অসি থোকখ্রবা মতুংদা রেলগাড়ি ৯ হেন্না অতোপ্পা লম্বীদা থৈদোক্তুনা চৎহনখি।

রেলৱে মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোন দার্জলিং জিলাগী ত্রেন এক্সিদেন্ত থোকপা মফমশিং অদুদা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। লৈখ্রিদবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ ১০-১০, কা হেন্না অশোক অপন নংলবা মীওইশিংদা লুপা লাখ ২ লিশিং ৫০ অমসুং কা হেন্ননা শোকখিদবা মীওইশিংদনা লুপা লিশিং ৫০ গী শেনফম পীরগনি হায়না লাউথোকখি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিস্তর নেসনেল রিলিফ ফন্দগী লৈখিদ্রবা মীওশিংগী ইমুং মনুং শিংদা লুপা লাখ ২ এক্সগ্রেসিয়া ওইনা পীরগনি। অমসুং অশোক অপন নংলবা মীওইশিংদনা লুপা লিশিং ৫০-৫০ পীরগনি হায়না লাউথোখ্রে। রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনসু থৌদোক অসিগা মরী লৈননা অৱবা ফোংদোরক্লি।

**ফিল্মঃ** দোক্যুমেন্তরি, সোর্থ ফিক্সন অমসুং এনিমেসন ফিল্মশিংগী ১৮ শুবা মুম্বাই ইন্তরনেসনেল ফিল্ম ফেস্তিবেল হৌজিক মুম্বাইদা চথরি। ঙসি হুমনি চনবা নুমিৎতা মাই ফাদর , ইন্সাদ আউট য়াওনা অতৈ ফিল্ম কয়া উৎখি। ফিল্মগী মতাংদসু পেনেল দিসকসন অমসু পাঙথোকখি।

**ৱাটরঃ** দিল্লিদা থোক্লিবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা অসিগা মরী লৈননা বি.জে.পিনা আম আদ্মী পার্টিনা লুচিংবা দিল্লি গভর্নমেন্তকী মায়োক্তা খোংজং চংশিনখ্রে। পাউমীশিংগা উন্নবদা দিল্লিগী বি.জে.পি প্রসিদেন্ত ভিরেন্দ্র সাচদেবনা হায়- দিল্লি গভর্নমেন্তনা ঈশিংগী অৱাবা থেংনরিবা অমসুং ব্লেক মার্কেতিং তৌরিবশিং অসি য়েংশিনবা ঙমদ্রে। খোংজং অদুদা দিল্লি লোক সভা এম.পিশিং অমসুং বি.জে.পিগী লুচিংবশিংনা প্লে কার্দ পায়দুনা অমসুং অহাংবা লৈবাক্কী চাফু পায়দুনা দিল্লি গভর্নমেন্তকী মায়োক্তা য়ানিংদবা উৎখি।

**জম্মুঃ** জম্মু কস্মীরগী বন্দি পোরা জিলাগী অরাগমদা ভারতকী লান্মীগা খুৎথোকবদা তেরোরিস্ত অমা লৈখিদ্রে। পুসিল ওফিসলগী পাউগী মতুং ইন্না আর্মী , সি.আর.পি.এফ অমসুং জম্মু কস্মীর পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা অরামম বন্দিপোরাদা থীবা হুন্বগী থবক চথবদা থৌদোক অসি থোকখিবনি।

**ক্রিকেটঃ** **সেন্ত** লুসিয়াদা লৈবা দেরেন সেমি নেসনেল ক্রেকেট ষ্টেদিয়মদা টি-ত্বেন্তি ৱার্ল্ড কপ ক্রিকেটকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা শ্রীলঙ্কানা নিদরলেন্সপু রন ৮৩ দা মাইথীবা পীখ্রে। সেন্ত বিনসেনদা লৈবা অরনোস বেলগ্রাউন্দা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা বঙ্গলাদেশনা নেপালবু রন ২১ দা মাইথিবা পীদুনা টুরনামেন্ত অসিগী সুপর ঐইথ স্তেজতা য়ৌবা ঙমখ্রে।

**--অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক --**

১) কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিট সাহনা সভাপটি ওইদুনা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা ঙসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে।

২) ২৩ শুবা দ গ্রেট জন্ অপরাইজিং, য়ুনিতি ডে ২০২৪ হয়েং ইম্ফালদা পাঙথোকবা মপুং ফানা শেম শাবা লোইরে।

৩) **সরকারগী** প্রি প্রাইমরি ওজা লৌবগী থবক থৌরম পুমমক সরকারনা শেম্বা অৱাং থাক্কী কন্মীতি অমনা য়েংশিল্লগনি ।

৪) প্রধান মন্ত্রি কিষন সমান নিধিগী ১৭ শুবা ইন্সতোলমেন্ত হয়েং উত্তর প্রদেশকী বারানাসিদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা য়েন্থোক্কনি।

**অমসুং**

৫) নোংচুপ বেঙ্গোলদা ঙসি রেলগাড়ি অনি থেংজিন্নবগী থৌদোক্তা শীখিবা মীগী মশিং ৯ শুরে, ৫০ না অশোক অপন নংলে।

--- পাউ লোইজরে---